HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





হৈরোক অপুনবা মৈরা পায়বী লূপনা শিন্দুনা য়াম্লবা নুপীশিংনা শরুক য়াদুনা হৈরোকতা সেন্ত্রেল ফোর্স থমজিল্লকপা য়ারোই হায়বা খোল্লাও লাউরদুনা হৈরোক কৈথেলদা খোঙজং চঙশিনখিবা


থম্মোয় পাউদম : মোদি মণিপুর- লাক্তবা ৱারোঊগুমসি ঐখোয় ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ পাম্ফেল হুন্দুনা ফৌ থাবা

কালেন্থাগী মতমদা করম্না য়েন শেন্নগনি ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ লায়ন্স ক্লব ইম্ফালগী ৫৭শুবা চার্টর এনিভর্সরি পাঙথোকখ্রে

চাইনানা খুদোংচাবা লৌদনবা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশকী তীষ্টা... ☛ লামায় ৮

লামায় ১০ ☛ পি টি আর সী পাৎসোইনা য়াম্না ৱানা থাও ...


'মণিপুর মমাশিংগী খোল্লাও' হায়বা পান্দমদা চজিংগী রিজনেল কোলেজ মমাঙগী লম্পাক্তগী য়াম্লবা মমাশিংনা এম য়ুগী ম্যেন গেট ফাওবদা তোঙান তোঙানবা খোল্লাওশিং লাউরদুনা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ





Vol. 48, Issue No. 083 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ১৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 24, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# জিরিবামদা মণিপুর লৈঙাক্না লৌখৎপা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং পোলাং শারক্লে

## কুকি টেররিষ্টশিংনা বোরোবেক্রাদা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমা বোম পোকখায়হল্লগা শীংকুপ শানা থুগাইরক্লে

## শিন্নীশিংসু খূৎলায় পায়রক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে : য়ু এল ও



**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৭তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌদুনা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা হায় লেভেল সিক্যুরিটি মীটিংদা হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা মণিপুরদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা অকনবা ইন্সত্রক্সন পীরকখ্রবসু মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ সেক্রেটরি বিনিট যোসি, সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ অমসুং দি জি পি রজিব সিংহনা শুপ্নতগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি অমখক্তমক লৈবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা লৌখৎলকপা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং হঙ্গাম চাম্নবা পোলাংগা পাঞ্জক ওইরমদুনা হোত্রোং হোরক্লে।

হান্নদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অসাম রাইফলস, সী আর পি এফশিং দিপ্লোই তৌবগী মথক্তা থা অসিগী ৬কী নুংথিলদা জিরিবাম সোরোক অতিংবী খুনৌদগী সোইবম সরতকুমার কৌবা মীচম অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা তমথীবা মওংদা হাৎখিবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থোরক্লিবা লানগী থৌদোকশিং লাকশিন্নবগীদমক পুলিসকী স্পেসল কম্মান্দো পর্সনেলশিং ফাওবা হেলিকোপ্তরনা হোনখ্রবসু কুকি টেররিষ্টশিংনা এটেক চখনীংবা মতমদা চখবা ওল্লকপনা ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩.১০ রোম তারকপদা বোরোবেক্রা পি এসকী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈবা জিরিবামগী ফার্মরস ক্লবকা তাইনবা মীতৈগী য়ুম অমদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা য়ুম অদু

...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মীয়ামগী মীৎয়েং পূম্নমক বিমোল অকোইজম ১সুং অলফ্রেদ কানঙমদা থমখ্রে

# লানগী মৈরিনা চাকথেল্লবা মণিপুরবু পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লুনবা কোংগ্রেস লুচিংবশিং দেল্লীদা থুংবা হৌনখ্রে

## সী এল পিগী দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎ অমসুং কোংগ্রেসকী চীফ হ্বিপ টি ঐচ লোকেশ্বর দেল্লীদা থুংখ্রে

## ঙসি সী দব্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম, সী এল পি লিদর ইবোবী, কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মেঘচন্দ্র অমসুং এম এল এ সূর্য্যকুমার চৎকনি





কোংগ্রেসকী দেপ্যুটি সী এল পি লিদর কে রঞ্জিৎ অমসুং চীফ হ্বিপ টি ঐচ লোকেশ্বর

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি লমহেনবশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্নবা ওনশিন্দুনা চত্থরক্লিবা তমথীরবা লান খামজিনবীনবা লৈতবদৌনা চহী অমা হেন্না চত্থরকপদগী লান অসিগী মৈরিনা চাকথেল্লবা মণিপুরবু অনৌবা

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর ১সুং সুসিলদ্রো গুৱাহাটিদগী হল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুংথিল পুং ৫.১৫ তারকপদা এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর আই-৫৭৮৮দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মিনিষ্টর এল সুসিলদ্রো ঙসি নুংথিল এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট নম্বর আই-৫৭৯২দা ইম্ফালদা হল্লকখ্রে।

...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## বি জে পিগী লুচিংবী অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সূর্য্যকান্ত পটিল বি জে পিদগী তোকখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুন ২৩ (এজেন্সী) :** মহারাষ্ট্রগী হিঙ্গোলি নন্দেট কন্সটিট্যুএন্সিদগী মরিরক এম পি ওইনা কারকখিবদা নত্তনা এম এল এসু ওইরকখিবী বি জে পিগী মকোক থোংবা নুপী লুচিংবী সূর্য্যকান্ত পটিল ঙরাং পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌখিবগা লোয়নন্না সরদ পৱারনা লুচিংবা এন সী পিদা য়াওরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।



মহাক হান্না এন সী পিগী মরু ওইবা লুচিংবী ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৪দা বি জে পিদা য়াওরকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী মীখল অদুদা বি জে পিগা সিব সেনাগা সিট য়েন্থোক্লুবদা মহাক্না মীরেপ ওইগদবা সিট অদু সিব সেনানা লৌখিবগা লোয়নন্না মঙোন্দা বি জে পিগী টিকেট পীরকখিদবনি হায়রি।

## কান্টো খুলেনগী য়োৎকী থোং তৎতুনা ত্রক চপখায়বদা দ্রাইভর য়াওনা ৩ শোক্লে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ুক পুং ১০.১০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কান্টো খুলেন খুনয়াই ফাওরগা চেল্লিবা লৈমখোং তুরেলগী মথক্তা শাবা য়োৎকী থোং অমদা য়োৎ অমদি মোম্পাক পুরকপা ত্রক এন এল-০১/এ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# লান লোইশিল্লু, সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থমজিল্লকপা য়ারোই হায়বা খোঙচৎশিংগী খোল্লাওনা পুমনিল নিনখ্রে

## সেন্টরনা তৌরিমখৈ ষ্টেট লৈঙাক্না য়ারবসু মীয়াম্নদি য়ারোই : সুজতা

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী চত্থরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান চহী ১গা থা ২ ফাজিল্লকপগা লোয়ননা ঙসি অয়ুক অঙনবদসু জিরিবামদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লন্নাই য়ুম অমগা পূন্না লৈমিন্নবা গেষ্ট হাউস অমা অমসুং লৌমীশিংগী ফার্ম অনীগী ওফিস লৈবা শঙশিং মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা অমাঙ অতা থোকহল্লম্বগা ইরোয়ননা মণিপুরগী লান লোইশিল্লু অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থমজিল্লকপা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা মীয়াম্না মরু ওইনা নুপীশিংনা শরুক য়াদুনা অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎশিং চৎখিবগী ঈনিললনা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট অহুম্মক্তা পুমনিল নিনখ্রে।

ঙসিগী খোঙজংশিং অসিগী মনুংদা অহানবা ওইনা 'মণিপুর মমাশিংগী খোল্লাও' হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্লখিবা নুপীশিং পূনশিন্দুনা মণিপুরগী লানগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিল্লু, মরম চাদনা কোম্বিং ওপরেসন তৌবা য়ারোই, মণিপুর কন্নবা থোক্লকখিবা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং লাউদুনা রেল্লি চৎলবা মতুংদা গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা দিমান্দ কয়া য়াওবা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে।

খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা চজিংদা লৈবা রিজনেল কোলেজগী মমাঙদা লৈবা লম্পাক্তা য়াম্লবা নুপীশিং ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা পূনখি। মফম অদুদগী এম য়ুগী ম্যেন গেট ফাওবা খোল্লাওশিং লাউরদুনা খোঙচৎ চৎখিবনি। নুপীশিংনা রেল্লি চৎনবা পূনশিনবা হৌরকপদা পুলিসকী মায়কৈদগী থিংদুনা চৎহন্দনবা হোৎনখি। তুংদা খোঙচৎ অদু এম য়ুগী ম্যেন গেট ফাওবদং চৎকদবনি হায়বদগী য়ানদুনা পুলিসনা ঙাক শেল্লগা চৎখি।

নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা

## ঐখোয়বু কনানা কনবীগদগে : মণিপুর চনুরা লমজিং লূপ, বিষ্ণুপুর




## হৈরোককী মৈরা পায়বীশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা অকনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রে

খোঙচৎলোইশিংনা এম য়ুগী ম্যেন গেট য়ৌরকপদা পুলিস ওফিসর নুপী অমনা উশিৎ-থৌওইদবা ৱাঙাঙশিং ঙাঙলকই হায়বগী ৱাহৌদগী নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনখি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবী নুপীশিংনা ফোঙদোরকপদদি পুলিস ওফিসর অদুনা খোঙচৎলোইশিংদা 'নখোয়না ভোটকী মতমদদি লুপা লিশীং ২ লৌরিবদুদি' হায়বনচিংবা ৱাফম শীজিন্নদুনা ঙাঙ-শল্লকখিবনি। ৱাফম অসিদা পেন্দ্রদুনা নুপীশিংনা পুলিস ওফিসর নুপী অদুদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়দুনা অমুক হৌরকপদগী চাউনা উংখৎনখি। তুংদা নুপী পুলিস ওফিসর অদুনা শেংদোকখি হায়রি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুগী মতাংদা ইমাগী মৈরাগী কনভিনর টি ঐচ সুজতানা হায়, খোঙচৎ অসি অখন্নবা লূপ অমগী মীৎয়েং মখাদা চৎপা নত্তে। লমদমসিগী মমা ময়াম পূনশিল্লগা অপূনবগী খোল্লাও লাউবনি। মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমসিদা সেন্টরনা থাংলক্লিবা খোঙথাংশিং য়ানীংদে উৎপনি। থাজিল্লক্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং অসি ষ্টেট ফোর্সতা মতেং পাংনবনি অদুবু ষ্টেট ফোর্সনা শোনমনবদগী সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা চাওখৎলক্লে। ঙসিগী খোঙচৎনা তাল্লিবা দিমান্দশিংদি সেন্টরনা পৱার পায়শিনবা য়ারোই, ষ্টেটতা শিন্নৌ, কোম্বিং ওপরেসন তৌবা য়ারোই, খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই,

...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসিদগী ১৮শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম হৌরগনি বিমোল অকোইজম ১সুং অলফ্রেদ এম পি ওইনা ৱাশক্লগনি

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা এপ্রিল ১৯দগী হৌরক্লগা থা অসিগী ১ ফাওবা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা ১৮শুবা লোক সভাগী মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মীখল অসিদা মায় পাক্লক্লুবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা কেন্দিদেট ৪৫৩বু হয়েংদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা অসিগী অহানবা মীফমদা মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইনা ৱাশক লৌবদা মণিপুরগী ইন্নর অমসুং আউটরদগী মায় পাকখ্রবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং অলফ্রেদ কানঙম এস অর্থরসু য়াওরগনি।

মীখল অসিদা মায় পাক্লক্লবশিংবু লোক সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অসি পাঙথোক্লুবগীদমক প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা বি জে পিগী তরেৎলক এম পি ওইরক্লবা ভারত্রুহরি মহতাবপু প্রো-টেম স্পিকর ওইনা খনখ্রবনি। হয়েং অয়ুক পুং ১১দগী হৌগদবা মীফম অসিগী মনুংদা অহানবা তাঙ্কক্তা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেট ২৮০বু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিং য়াওনা এম পি ওইনা ৱাশক্কনি অদুগা থা অসিগী ২৫গী অনীশুবা তাঙ্কক্তনা মায় পাক্লক্লবা কেন্দিদেট ২৬৪বু অনীরকশুবা অমসুং অরোইবা ওইনা এম পি ওইনা ৱাশক লৌগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অসিদা প্রো-টেম স্পিকরবু মতেং পাংনবগীদমক প্রসিদেন্টনা কোংগ্রেসকী কোদিকুন্নিল সুরেস, দি এম কেগী টি আর বালু, বি জে পিগী অরাধামোহন সিংহ অমসুং ফাগন সিংহ কুলাষ্টে অমসুং ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুদিপ বনধোপধ্যায়বুসু এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা নৌনা কারক্লবশিংবু এম পি ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং থা অসিগী ২৬তা লোক সভাগী অনৌবা স্পিকর খন্নবগী মীখল পাঙথোকপগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংবু পার্লিয়ামেন্টতা মশক তাক্কনি। অদুগা থা অসিগী ২৭তনা পার্লিয়ামেন্টকী সভা অনীমক্কী অপূনবা মীফমদা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা এদ্রেস পীবগা লোয়ননা মথংগী নুমিৎতা প্রসিদেন্টগী এদ্রেসপু থাগৎপগী মোসন ওফ থেঙ্কসকী দিবেট চখগনি। দিবেট অসিদা মেম্বরশিংনা ফোঙদোক্ল রকপা ৱাফমশিংগী পাউখুম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মথং থাগী ২ নৎত্রগা ৩দা পীরবা য়াই হায়রি।

## অমিট শাহনা ঈশিং ঈচাওগীদমক লৌখৎখিবা থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :** হন্দক্তা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা মায়োক্লখিবা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিংবু রিভিয়ু তৌবগী মীফম অমা ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, নোংজুথা হেক য়ৌরকপগা চহী খুদিংগী বিহার, অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা মফমশিং অসিগী মীয়াম্না ঈশিং ঈচাওগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঈশিং ঈচাও মায়োক্লনবগীদমক লৈঙাক্না লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিংবু রিভিয়ু তৌবগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, হন্দক্কী ঈচাও অসিদা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম খরদসু খুদোংচাদবা মায়োক্লখিবনি।

## বেলগী ওর্দর চৎনহন্দবগী মায়োক্তা কেজ্রিৱালনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুন ২৩ (এজেন্সী) :**

হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা দেল্লীগী রাওস এভেন্যু কোর্টনা লুপা লাখ ১গী সিয়ুরিটিদা বেল পীরকখ্রবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী বেল ওর্দর অদুগী মায়োক্তা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা দেল্লী হায় কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী কোর্ট অসিনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা দেল্লীগী ত্রাইএল কোর্টনা পীরকখিবা বেল ওর্দর অদুবু মরক্কী ওইনা চৎনহন্দনা থমখিবগী মায়োক্তা ঙসি নোংমাইজিং ওইরবসু দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

মহাক্কী ৱাকৎ চেরোল অদুনা মঙোন্দা দেল্লীগী ত্রাইএল কোর্ট অমনা বেল পীরক্লবা মতুংদা ওর্দর অদুবু দেল্লী হায় কোর্টনা মরক্কী ওইনা চৎনহন্দনা থম্লক্লিবা অসি মরম চাদে হায়রদুনা মঙোন্দা বেল



পীফম থোকই হায়খি। মহাক্কী ৱাকৎ অসি হৌজিক সুপ্রিম কোর্টকী সম্মর ভেকেসন লৈবা মরম্না হয়েং লৈগদবা কোর্ট অসিগী ভেকেসন বেঞ্চ অমনা লৌখৎলগা খন্নরবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঈ দিগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা দেল্লী হায় কোর্টনা ৱায়েলগী ওর্দর রিজার্ভ তৌশিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা মসিগী ওর্দর থা অসিগী ২৫দা লাউথোক্কনি হায়খিবনি।

# সিফাইনা পীরকপা হৱাই নমথীবদগী হৈদোক্কে তৌবদা হৈদোকপা য়ারোই, হৈদোক্লবদি মখা তানা চাক পীররোই হায়রকপদগী ঈশিং থক্লগা য়োৎখি

## হকথেংনবা পাউদম

*থিংকাংফাই য়াইফকোলদগী খুঞ্জা*

**(ঙরাংগী মখা...)**

চূড়াচান্দপুরগী থিংকাংফাই য়াইফকোলদগী পুখ্রম্বম ওংবী মাইমুনা মখা তানা হায়, ঐখোয়গা য়াম্না কুইনা চীংমীশিংদুগা খুন্দা লৈতামিন্নদুনা লৈমিন্নবনিনা নুংশি চান্ননা অরৈ লৈতা তাথোক তাশিন তৌদুনা অমসুং ঐখোয় ঐখোয়গী লৈকায়দা কুকি নুপীশিংগসু মৌ ওইমিন্নদুনা মরূপ ফাওবা তৌমিন্নে। শেল পুথোক পুশিন তৌমিন্নে। অদুবু লান থোক্কদবা নুমিৎ অদুসু কুকি নুপী অমগা ঐখোয় অনী মরুপকী শেল পূন্না খোমিন্নরুবনি। শেলশিং অদু ইমুংদা লৈবা সনামহিগী খুভম মনাক্তা থম্বা বেগতা হাপ্পুনা য়াল্লগা থমহৌবদু ফাওবা পুরকপা নংখিদে। ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ মতমদদি য়ূমলোন কৈরোলননা লৈমিন্নরিবা কুকিশিংগা খৎন-চৈনবা অমত্তা য়াওরক্তে। অদুবু ইচা ইশুশিংগী হাক্তক্তদি মরক মরক্তা খৎন-চৈনবদি থোকখি।

ঐখোয় মীতৈশিংগী লাই হরাওবদসু ইনীং তম্না লাউদ স্পিকরনচিংবা শীজিন্নবা ফংদে। মখোয়গী খৃষ্টমাসনচিংবা হরাওবদদি নোংমতা মীতৈশিংনা থিংলুবগী পাঙ্গল লৈতে। অদুবু মীতৈগী হরাও কুস্মৈ মতমদদি মীতৈনা খুলগী নিংথৌদগী অয়াবা লৌ হায়দুনা নিংথৌ/খুল্লাকপগী খূৎয়েক য়াওবা চে পায়রগা লাই হরাওবা পাঙথোক্লবা ফাওবদা কুকি নহাশিং লাক্তুনা স্পিকরশিং থুগাই-কাওখাইবা, অঙাংশিংদা ফুরম্বনচিংবা থৌদোক কয়া থোকখি। অদুগুম্বশিং অদু খুল্লাকপা অমদি মীতৈ সোসাইটিগা ফম্মিন্নদুনা ৱারক-ৱাতেম্মীন্নরগা লোইশিনখিবা ঙাক্তনি।

আই এল পিগী মতমদসু ঈরাং কয়া অমা থোরকপদগী নোংমা নীনি য়ূম থাদোক্তুনা চেল্লুরবসু অদুমক হঞ্জিন্দুনা লৈখি। হন্দক্কী ঈরাং অসিসু অদুম্মাইনা তৌরক্দ্রা খল্লুবনি। অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৈরমখি। চীংমীশিংনা নম্না খুন্দাদুনা লৈবনিনা য়াম্না তোন্না হিংবা পূন্সি মরেল অমদি অদুমক ওইখি। অদুবু ঐখোয়গী ইয়ুম-ইকৈ মৈ থাদোক্তুনা তাম্থোকপীরকপা অসিদি ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবীনবা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা খূৎকন-পাঙ্গন্দবদগীনি খল্লি হায়রি।

হৌজিক চহী ১ হেল্লবসি ফাওবদা ঐখোয়গী য়ূম কৈ তাঙ্গৈই ওলহৌদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# খোঙ্গুল লীক্লম : নিংথৌ পাল্লিঙৈদা ৱায়েল চত্থরম্বা 'দরবার' গী রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন তৌবা হৌরে

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরনা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা লৈবাক অসিগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈগী মমাঙ নিংথৌ পানবা মনীং তম্বা লৈবাক অমা ওইরকপদগী হৌনা 'দরবার' লিংদুনা লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদা চত্থরকখিবশিং অদুগী মখা শমথরকপদা চৈরাপ কোর্টতা লীদুনা থল্লকখিবা দরবারগী রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন তৌদুনা থম্নবগী থবক লৌখৎপা হৌরক্লে।

থবক অসি মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নদুনা 'দিজিটাইজেসন ওফ পব্লিক রেকোর্দস' হায়বা পান্দবগী মখাদা চত্থরম্বনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা দরবারনা চত্থখিবা থবক থৌরমশিংগী অরিবা রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন মপূং ফানা তৌবা



দরবারগী রেকোর্দশিংগী মনুংদা অদুঙৈ কুমজা ১৯১৮দগী হৌরগা ঙল্লবদি রেকোর্দশিং অসি তুংগী মীরোলশিংদা অচৌবা খুদোল অমা ওইহৌগদৌরি।

দরবারগী অরিবা রেকোর্দশিং দিজিটাইজেসন তৌবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট অর্কাইবসকী মাইক্রো ফোটোগ্রাফিগী স্পেসিএলিষ্ট অমা ওইরিবা হিজম রাজেন্দ্রোগা উনরুবদা মহাক্না হায়, হৌজিক ফাওবদা

...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫